# মীহুৎ খনগৎপদা তরাইনা লৌবগী হৈনবী থাদোক্লসি

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

লমদম অমা চাওখৎপা-চাওখৎতবা হায়বসি ইলেক্সনগী মতমদা করম্বা লুচিংবশিং খনগৎপগে হায়বা অসিগী মখা য়াম্না পোল্লি। ইলেক্সনদা করম্বা মখলগী মীহুৎ/কেন্দিদেট খনগৎকনি হায়বসি তরাই তরাই খন্দোকপগী হৈনবী অসি থাদোকপগী মতম হেল্লবনি। ইলেক্সনগী ইলেক্সন অম্মা-অম্মানি খন্দোক্তুনা ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংদগী ভোট কাহনগদৌরিবনি হায়দুনা চাকচা-হৈজানবগী, শানৈ-য়ুনৈবগী, থাবল চোংবগী, ক্লবকী অমদি লৈকায়গী পোৎ চৈ লৈহনবা, ভোট পীগনি হায়দুনা শেল লৌথোকপগী চৎনবী অসি চহী ৭০ হেন্না চৎনদুনা লাকপনা ঙসিদি ঐখোয় মাঙদা চঙশিল্লিব্রা নৎত্রগা তুংদা হন্দুনা চৎলিব্রা হায়না হংনরিবা অসিনি।

অসুম্না ইলেক্সনগী মতমদা কেন্দিদেটশিংদগী শেল লৌ-লৌদুনা ভোট লেপ্পবগী হৈনবগী অসি লৈবনা ভোট কারবা মতুংদদি কেন্দিদেট অদুনা মরম চাদনা তৌনীংবতা তৌ, চানীংবা শেল চা, চোঙনীংবা পার্টিদা চোঙবা ঙল্লিবা অসিনি। শেল আ য়ৌনা চঙদুনা ভোট লেপ্পসিদা কেন্দিদেট খক্তা নত্তে শেল তিংলিবা। কেন্দিদেট অসিগা নক্লবশিংসু শেঞ্জাও শেঞ্জাও পুথোক্তুনা মতেং পাংলিবনি চাকচা হৈজানবগী, শানৈ-য়ুনৈবগী, থাবল চোংবগী অমদি লৈকায়গী অমদি ক্লবকী পোৎ চৈশিং লৈবীবগী। মসিগী মথক্তা য়ূমথোঙ খুদিংগী শেল য়েনবদসু শেঞ্জাও শেঞ্জাও মতেং পাংলিবনি, মসিদা কান্নরিবা হায়ববু ভোট কাখিবা কেন্দিদেট অমদি মহাক্কা নক্লবা মীওই খরা খক্তনি। মীয়াম্না কেন্দিদেটশিং অসিদগী লৌখিবা শেনফম অদুগী শরুক চাম্মা চাম্মা হেন্না অমুক ভোট কাখ্রবা কেন্দিদেটশিং অসিনা অমুক খোমগৎলিবনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কা খঙনরবা ৱাফমনি।

অসুম্না শেঞ্জাও শেঞ্জাও থাদদুনা ভোট কাখিবা কেন্দিদেটশিংনা মতৌ করম্না থবক অমত্তা নিংথিনা, মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমগদৌরিবনো, ঙল্লোই। মসিননি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা শঙ্গাখিবা লন্বী থোং, য়ূম, পোৎলম কয়া কয়া লোইশিন্দনা লৈরিবা, লোইশিনবা ঙমদ্রিবা। মসিগী অচৌবা মরম অমখক হায়রবদি পোৎলমশিং অসি শানবা থাদরকপা শেনফমদা খূৎ থিংজিল্লুবগীনি মিনিষ্টরশিং অসিনা। ভোট লেপ্পদা থাদখিবা শেলশিং অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা থবক অমত্তা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদ্রিবনি। ঙল্লবসু চহী কয়া কয়া চোম্থরগা লোইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কা উর-খঙলবা ঙাক্তনি। অসুম্না থবক নিংথিনা তৌবিরক্তবা মতমদদি মীয়ামসু ৱাখল তারকপ্রা নৎত্রগা শাওনীংলিব্রা খঙদে লাউবা খোংবা হৌরকই। অদুবু তারোই খন্দুনা নাকোং মেনশিনখ্রবদা করি পাম্বৈদি লৈরি।

মরম অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি মাঙদা পুশিনসি, চাওখৎহনসি হায়রবদি অহানবদা ঐখোয় লাইরিক লাইশু হৈবা, খঙবা, থম্মোয় শেংনা লৈবাক্কী থৌগল তৌজনীংবা, মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা, অফবা মীহুৎশিং থাগৎপা, কাহনবা মথৌ তাই। ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা দ্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা, নুপী অঙাংদা চোপ্পা, থিকা তৌবদা লন্বী থোং নিংথিনা শেন্বীদবা, শেল চাবদা পেনবা নাইদবা লুচিংবা শাবা লুচিংবা ময়াম অসিখক্তা নত্তে লুচিংবা ওইবা ঙমগদবা। নহা ওইরিবা, অহল খরসু ওইরবা লাইরিক লাইশু হৈবা, মতিক চাবা কেন্দিদেট কয়া অমসু লৈরি। শেল লৌদ্রবদি হায়রিবা মীওইশিং অসিসু ভোট লেপ্তুনা ভোট কাদুনা লুচিংবা ওইবা য়াই। অদুনা অহানবদা ঐখোয় কেন্দিদেটতগী শেল লৌবসি তোক্লসি, অফবা কেন্দিদেট খনগৎপা ঙম্নবা।

চহী ৭০ হেনবসি শেঞ্জাও শেঞ্জাও থাদদুনা খনগৎলকপা লুচিংবা শাবা মীওইশিংনা লুচিংদুনা লাকপনা শেঞ্জা থুমজাদা খুমাঙ চাওশিনখিবনা চাওখৎপগী লন্বীদি তুংদা লৈহৌরিবা অসিনি। অসুম্না লাকপা অসিননি ঙসি ফাওবদা থবক মচা অমা তৌনবা হোৎনবদা লুপা লাখ লাখ পীবগী চৎনবী লৈরিবা। মসি অমুক হন্না থোক্তনবা মথং চহীগী ফেব্রুৱারি/মার্চ অশ্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি শেল ফনা লৌনীংলবসু খা চিক্তুনা খাঙলগা, শেল লৌদবীদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা হোৎনসি। মসি ঐখোয়গী তুংদা হৌরক্কদৌরিবা ইচা-ইশুশিং অসিগী খন্দুনা তৌদ-য়াদ্রবা খোঙথাংনি হায়না খনবীয়ু। হৌজিক লৈরিবা হৈনবী অসি চখদুনা লৈরবদি ঐখোয় হৌগৎপা ঙল্লরোই। পাল্লিবা লৈঙাক্লা দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপ ইন্দুনা তশেং তশেংনা ত্রান্সপরেন্সি লৈনা ইলেক্সন পাঙথোক্লবসু মীচম মীয়াম অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েংশিনগদবনি। নৎত্রবদি পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক্লা মখোয়গী পৱর শীজিন্নদুনা অনদেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মখোয় মখোয়গীপার্টিগী মীহুৎ খনগৎনবা হোৎনরক্কনি। মসি অনৌবা থৌওং নত্তে। কেন্দিদেটতগী শেল লৌবা লৌদবা, মখোয়না শেল য়েনবদা মতেং পাংবা পাঙদবা হায়বসিমদি ঐখোয় মীচম মীয়ামগী খূত্তা লৈরে। অদুগা নাকল অমরোমদনা শেলদি আ য়ৌনা থাদরুবা অদুগা ভোটতি কাহৌদবা কেন্দিদেটশিং অদুনা লৈজবা মাল-চাং খুদিংমক লোইশিনখিবদগী অচাকপা বল্বকুম হিংলিবনি লেমহৌরিবা পুন্সি অদু। ভোট কাহৌদবা কেন্দিদেটশিং খক্তা নত্তে অৱাফমদা তারিবা। মখোয়বু শৌগৎতুনা শেঞ্জাও থাদরুবা মীওই কয়া, ইমুং কয়া অমসু অৱাফমদা তারিবনি। ভোট লেপ্পদগী ইমুং কায়নবা কয়া অমসু থোক্লিবনি। শেল লৌদ্রবদি অসিগুম্বা অৱা অনা অসিসু য়াম্না হন্থগনি।

অনীশুবদা, ঐখোয়না শেলবু পায়রবদি লেপ্লিবা কেন্দিদেট অমবু হেক্তা থাগৎপা, শৌগৎপা হায়বসি য়াম্না চুমদে। অফ-ফত্ত খন্থবা তৌদনা কেন্দিদেট অমবু শেল পায় হায়দুনা হেক্তা কেন্দিদেট ওইনবা শৌগৎপা অমদি ভোট কাহনবা হায়বসি য়াম্না লাল্লি। মখোয়না শেল পায়রিবসি অয়াম্বনা অফবা থবক তৌদুনা শেল পায়রকপা নত্তে হায়বসিসু ঐখোয়না নীংশিংফম থোকই। শেল পায়রবনিনা শেলদা মীহৌবা ৱাৎলনি কায়না খন্দোকপা য়াম্না লানগনি। শেল পায়বা কেন্দিদেটশিং অসিনি হেন্না শেল পাল্লিবদি, করিগীনো হায়বদা পেনবা নাইদবগী হৈনবী লৈবনা। শেল পায়বা পায়দবা তুংদা মথৌ খঙনা থবক তৌরক্কদবা, শেঞ্জা থুমজাদা, দ্রগ লল্লোনবদা, মীহাৎ মীপূন্দা অমদি নুপী অঙাংদা চৎহৈদবা লমচৎ চৎলুবগী কেস চেন্নদবা কেন্দিদেটশিংবু শৌগৎসি, ভোট কাহনসি।

অহুমশুবদা, পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌরিবা কেন্দিদেটশিং অসি য়ারিবমখৈ মখোয়দা ভোট পীরোইদবনি। মখোয়না চোঙনীংবতা চোঙ, য়াওনীংবতা য়াও, তৌনীংবতা তৌরিবসি মীয়ামগী অয়াবা য়াওরগা চোঙবা, হোংবা, তৌবা নত্তে। মসি মীয়ামগী খন্দুনা তৌবসু নত্তে। মখোয় মশা মশাগীতা খন্দুনা চোঙবনি, য়াওবনি। মসিনা তাক্লিবদি মীচম মীয়াম অসি হায়রিবা কেন্দিদেটশিং অসিনা মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খল্লি হায়বদু তাকপনি। মখোয়না লৈনীংবা মতমদা শেল খরা মমিৎতা উহল্লগা ভোট অদুম থাদহনবা ঙমগনি হায়না উশিত্তনা খনবনি হায়বসি মীয়াম্না কাউবীরোইদবনি। মখোয়না চেঙথোক চোঙশিন তৌরিবসি মীয়াম্না য়াদে হায়বদো তাকপগী মতম ওইরে হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা। হৌজিক্কী লুচিংবশিংসি মীয়াম্না মখোয়বু লুচিংবা ওইহনবনি হায়বসি নীংশিংহনবা মথৌ তারে। মরম অসিনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদদি য়ারিবমখৈ চোঙথোক চোঙশিন তৌবা, মশাগী আইদিওলোজি, ফিরেপ লৈতবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীরগুমসি। মখোয় নত্তবা অশেংবা লুচিংবা ওইবা ঙম্বা ময়াম অমা লৈরি হায়বসি ঐখোয় কাউফদে। ●

# সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা - লময়ানবা ইরাবত

- ডা. এম নরা -

- জেলগী শারং মনুংদা থৌনা ফনা খাঙখিবা
নুপী লাল লমজিংবা লৌমীশিংগী লেপখিবা
অমাং অশেং খায়ববু চুমথোক্লবা হোৎনবিরম্বা,
অথোইবনি নহাকসে; মীরমলেন্দা তাঙলবা।
- চেঙ খুজোক ’মতং নিরুবা, ঈ খুজোক পীরকপা
শঙ্গিন ’মদি বুটকী পাওখুমদো নীংশিংলি ঙসিসু;
দিসেম্বর তরানিথোই, নিংথৌ’মদি বৃটিশ অনীগী
অওৎ অনৈ থেংনখি, কনা লৈত্র মতমদা।
- বন্দিশিংবু লমজিংবা অচুম্বা পাউতাক পীরম্বা,
জন নেতা মিংথোনবা অতাঙবনি নহাকসে;
ওইজবা পূম্বা থাদোকপা থেংনবতনা নশরুক
স্বার্থত্যাগকী খুদমনি, জেলগী শারং মনুংদা।
- চহী কুমজা কয়াবু সিলেট জেলদা খাঙখিবা,
শু নোল্লিবা মীয়ামগী, ৱায় কৌবদা হায়খিদে;
নীংতম লালগী লুচিংবশিং উনখি শক্লাইরবা কয়াদো
নৈনরকখি যুগকী য়াওল, জেলগী শারং মনুংদা।
- বিপ্লবকী মৈরি চুরকখি, ফাওরকখি অশেংবা মঙাল,
পুরকখি মরৈবাক তম্না মুক্তিগী ফিরাল অঙাংবা,
লৌমীগী শাইজিন শায়াদা লোৎতুনা থম্বা হৌরকখি;
শৈশক্তুনা হৌদোকখি মীকপ থোকত্রিবা মীয়াম্বু-
“স্বাধিনতা নুমিৎ থোরক্লে তূম্লনু মঙ তমদুনা”
“লৌখাও মতম য়ৌরক্লে থাঙ্গোল ময়া থাংলরো”;
শিদ হীদাক্কুম কল্লবা নহাক্কী শৈশকনি মাঙদ্রবা,
হে লময়ানবা! মীয়ামগী লুচিং পুরেল;
জন নেতা ইরাবত।

পাক চাওরবা পুৱারীগী লৈমায়দা ঙসিদি মীয়াম্না থৱায় তানা নৈনবা হৌরক্লি। লময়ানবা হিজম ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবকশিংগী মরমদা সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা মণিপুরদদা নত্তনা অসামদা, ত্রিপুরাদা, বংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদা লময়ানবা ইরাবতকী মরমদা থাবুম অমা চূপ্পা নৈনবগী অমসুং মহাক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম মশীং লাকঙমদনা পাঙথোক্লরি। করিগীদমক থাবুম অমা চূপ্পা পাঙথোক্লরিবনো হায়বগী ৱাহং লাকফম থোকই।

ইরাবত কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা পোকখি। অপোকপগী মিং হিজম ইবুঙোহল কৌই অদুগা অপোকপীগী মিংনা চোংথাম চনু থম্বালঙানবী কৌই। বৃটিশকী কোলোনিয়েল রুল লোইশিল্লক্তুনা নীংতম্বা ইন্দিয়া ওইরক্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৪৮ য়ৌরকপদা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেট মচাশিং মদুদি মণিপুর ত্রিপুরা, লুশাই হিলস, (ঙসিগী মিজোরাম) অমদি অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্ট পুল্লগা খরা চাওবা ষ্টেট অমা হায়বদি পুর্বাঞ্চল প্রদেশ (নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র প্রোভিন্স) শেম্নবগী প্রপোজেল অমা লাকপগী মায়োক্তা ইরাবতনা লুচিংদুনা হৌখিবা ঈহৌগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা মহাকপু ফাননবা ৱারেন্ট ইস্যু তৌরকপদগী মীরোৎ তাদুনা অন্দরগ্রাউন্দদা চৎখিবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮। লোয়ননা মহাকপু পুলিসকী মখূৎতা তাহনখিদনবা কন্না হোৎনদুনা মণিপুরগী মপান্দা হায়বদি বর্ম্মাগী টেরিটোরিদা লোৎনবা থৈরকখিবা নুমিৎ, কুমজা ১৯৫০গী সেপ্টেম্বর ১১ অমসুং মহাক্কী অরোইবা য়াহিপ তানখিবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২৬, ১৯৫১নি। অসুম্না মহাক্কী পুন্সিদা থোকখিবা মরু ওইবা থৌদোক ৱাথোক অয়াম্বা সেপ্টেম্বর থা মনুংসিদা থোকখিবনা মরম ওইরগা মহাক্কী মরমদা খন্ন-নৈনবা অসি সেপ্টেম্বর ১দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ৩০, মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসি ফাওবা চথনৈ। য়াম্না পাক চাওনা হীরম কয়াদা নৈননীংঙাই মচাক য়াওরবা মহাক্কী পুন্সি অমসুং থবকশিং মণিপুরদতা নত্তনা অসাম, ত্রিপুরা, বংলাদেশ অমসুং বর্ম্মাগী (ঙসিগী ম্যান্মার) মফম কয়াদা থাবুম অমা চূপ্পা খন্ন-নৈনবা অসি চথৈ, মপূংদা মহাক্কী মপোক নুমিৎ ওইরিবা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি য়াম্না পাক চাওনা অমদি চীং লেম্না ষ্টেট গভর্ণমেন্ট য়াওনা লূপ কয়ানা থৌরম পাঙথোকই। মরম অদুনা সেপ্টেম্বর থানা লাক্লবদা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিঞ্জবা ওইনা ৱাহৈ খরদং ফোঙদোকচবনি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ইরাবত গুণ কয়াগা লোয়ননা হৌরকই। ইচম চম্বা ইমুং অমদগী হৌরকপা মহাকসি অমুক্কা মমা মপা অনীমক নৌনা কায়নখি। মমাগী মপামদা য়োক্লকখি। মহাক্কী মাম্মগী মতুং ইন্দুনা ধাকাদা চৎলি অমসুং মতেং পাংবগী থবক ইনখাং তৌনা তৌনা মহাকসু লাইরিক খরা তম্লকখি। মপূং ফানা অৱাংবা থাক্কী মহৈদি মহাক তম্বা ফংলকখিদে। ইরাবত লাইরিক য়াম্না ফরকখিবা মহৈরোয় অমা ওইরমই অমসুং শান্ন-খোৎনবদা য়াম্না হৈশিংবা শান্নরোয় অমসু ওইরমই। মসিনা মরম ওইরগা মহারাজ চূড়াচান্দনা মহাক্কী হোকি টিমদা য়াওহনখি। ইরাবতকী শান্নবদা হৈশিংবা মগুণনা নিংথৌবু পেলহনখি। মমৈথংদা মহারাজগী ময়াম্থুং ইবুংঙো চন্দ্রহাসকী মচা ইবেম্মা খোমদোনসম্না থাজদুনা ইরাবতকা লুহোংখি।

কুমজা ১৯২৪দা ইরাবত কোলকটাদা অচৌবা মীটিং অমা য়াওবগী তাঞ্জা ফংখি। মদু মহাত্মা গান্ধী য়াওবা ভারত থাদোক্লো হায়বা বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা হৌরিবা অন্দলোনগী শরুক অমনি। অসিগুম্বা নেসনল মুভমেন্ট অমা য়াওরুবদগী মহাক্কী পুন্সিগী তৌগদবা থবক অমসুং মীয়ামগী থৌগল তৌনীংবগী ৱাখল ময়েক শেংনা ফাওবা হৌরকখি। তাঞ্জা অসিৱাইদা ইরাবতপু লৈঙাক্লা মেজিষ্ট্রেট অমা ওইনা খল্লে। লৈবাক্কী অচৌবা থৌদাং অমা পীরকপা অসিদা মহাক্তি লো অমসুং জুরিস প্রুদেন্স য়াম্না মমুৎ তানা খঙলকপা মীশক অমদি ওইরক্তে। অদুম ওইনমক কন্না হোৎনদুনা পুন্সিগী চেলেঞ্জ অমনি খন্দুনা মথৌ তৌবা হৌরকখি। হীরম কয়াদা রিফোর্ম তৌনীংবগী ৱাখল লোয়ননা মহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদগী মনীং থুংনা মহৈ মশীন তম্বা ফংলক্তবগী অৱাবা পূম্নমক্তু নীংশিংদুনা থোং মান্নদবা অমদি য়াম্না শোখহৌরবা কাঙলূপশিং পুখৎনবা ফিরেপ লৌরকখি। মসিদগী হৌরদুনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি স্কুল ফাওবা মথং মথং লিংবা হৌরকখি। পাক চাওনা হীরম কয়াদা রিফোর্ম তৌবা য়ানবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংদা মপূং ফানবা ওর্গনাইজেসন অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবদু ইরাবতনা ফাওরক্তুনা নিখিল মণিপুরী মহাসভা শেম্লকপগী থৌদাং লৌরকখি। অহানবদা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা হায়না মমিং থোন্দুনা কুমজা ১৯৩৪গী মে ৩০দা শেমখি। মসিনা খুন্নাইগী সোসল, কলচরেল, ইকোনোমিক অমসুং এদ্যুকেসনগী হীরমশিংদা অহোংবা পুরক্লবনি। কুমজা ১৯৩৮দগীদি ওর্গনাইজেসনগী মমিংদগী ‘হিন্দু’ হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক্তুনা ‘নিখিল মণিপুরী মহাসভা’ হায়না কৌখি।

মহাসভা অসি নিংথৌগী অয়াবা য়াওনা শেম্বনি অদুনা মহাক্কী পেত্রোনেজ ফংই। মরম অসিনা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈরিবা মণিপুরীশিংবু পুনশিন্নবা হোৎনবদা কুমজা ১৯৩৬তা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী অহুমশুবা সেসন বর্ম্মাগী মন্দলেদা ফমখি। মীফম অসিদা শরুক য়ানবা মহারাজনা ইরাবতপু নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা প্রিসাইদ তৌনবা থাই অমসুং ইরাবতপু মহাসভাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনসু খনখি।

হীরম খুদিংদা ইরাবত চন্নবা মীশক অমা ওইরকখি। শান্ন-খোৎনবদা, মহৈ মশীন তম্নবগী লম্দা, সাহিত্য অমদি থিএটরদা, জর্নেলিজমদা, ঈশৈ নোংমাইদা অমদি সোসল রিফোর্মদা লময়ানবা হায়বদু মহাক্লা ওইরকখি অমসুং মীয়াম্না য়েৎনবা লৈতনা য়ানীংবা মীশক্তু মহাক ওইখি। ইম্ফাল টাউন ক্লব লিংখৎতুনা শান্নবগী ইন্সটিট্যুট ওইরকখিবা, মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) লিংখৎতুনা থিএটরগী মশক ফোংলকখিবা, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ লিংখৎলক্তুনা মদুগী অহানবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরকখিবা পূম্নমক্লা খঙনরিবা থৌদোকশিংনি।

নিংথৌ পানবগী চৎন-পথাপ অমসুং বৃটিশ সম্রাজবাদিগী লোয়লম সাসনগী মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙল্লক্তবগী মতম ওইরকখি। কুমজা ১৯৩৬তগী ৩৮ য়ৌরকপদদি মীয়ামগী ঈহৌ কনখৎলকখি। লোয়ননা নিংথৌগী মীৎয়েংখাদা শেমগৎলকখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী চৎন লোনচৎতা অহোংবা লাকখি। কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯ অমসুং ৩০ নুমিৎ নীনি চূপ্পা ফমখিবা সেসন্দু য়াম্না মরু ওইখি। মীফমসি চীংঙাদা ফমখিবনা চীংঙা সেসন হায়না খঙনখি। সেসন অসি ইরাবতনা সভাপতি ওইনা চথখি অমসুং পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা ৱারেপ কয়া লৌখি। মদুগী মনুংদা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাদগী ‘হিন্দু’ হায়বা ৱাহৈ লৌথোকখি। লোয়ননা আইন সভা (ষ্টেট এসেমব্লি) লিংগদবনি অমসুং প্রজানা খঞ্জবা মীহুৎনা সাসন তৌহনগদবনি। খুঙ্গংশিংদা স্কুল লিংগদবনি অমদি লায়েংশঙ শাগৎকদবনি। অসুম্না হান্নদগী খরা হেন্না রেদিকেল চেঞ্জ পুরক্লবা মীয়ামগী ৱাখল্লোনগা চান্নবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরকপদা লৈঙাক্কী মফমদদি অচৌবা চেলেঞ্জ অমা ওইরক্তুনা ইরাবতকী এক্টিভিটিশিং মখা তানা চথরক্তনবা অমসুং থিংনবা হোৎনবা হৌরক্লে।

মতমদু পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লৈবা য়াদবা, নিংথৌ অমদি বৃটিশ মপু অনী পানবা সাসনগী শক্তম অমনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা নিখিল মণিপুরী মহাসভাসি পোলিটিকেল পার্টি ওইরে অমসুং মসিদা লৈঙাক্কী থৌপুবা মীওই অমত্তা য়াওবা য়ারোই, দন্দি ফংগনি হায়না লাউথোরকখি। মসিদগীদি ইরাবত মেজিষ্ট্রেট ওইবদগী রিজাইন তৌখি লোয়ননা মহাক্লা শেৎলম চারম্বা মেজিষ্ট্রেট ওইবগী মফি মরোলশিং চৈরাপ কোর্টকী মমাঙদা মৈ থাদোকখি।

লময়ানবা ইরাবতকী পোকপদগী শিখিবা ফাওবদা শুপ্নগী চহী ৫৫ খক্কী মতমদা তৌরম্লিবা থবকশিং অঙকপা ফংনা য়াম্মী অমসুং মরু ওই। থেঞ্জাং নাইনা নৈনবা মথৌ তাই। সেপ্টেম্বর থাবুম অমা চূপ্পা নৈনবগী মতমনি, হীরম কয়াদা মরিক চুম্না অমসুং হকচিন্না মহাক্কী কন্ত্রিব্যুসনশিং শিংথাবা অমদি খন্নমিন্নবা হৌরক্লগনি হায়না আশা তৌজরি।. ●

## ষ্টেটকী পাউ

### জয়কুমারনা শেলগী মতেং পাংখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল ৱার্দ নম্বর-৫ দগী বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর-১ হোস্পিটাল মনিংদা ময়ুম পানবা হৌজিক্লা ৱার্দ নম্বর-৫দা লৈবী মচেগী ময়ূমদা চঙজফম লৌরিবী ওইনাম প্রেমিলা (৪৪) মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা বসন্তদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বিষ্ণুপুর এ সীদা মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবা ভারতিয়া মোদি আর্মি নোর্থ ইষ্টকী নেসনল সেক্রেটরি নিংথৌজম জয়কুমারনা মহাক্কী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা ৫,০০০ ৱার্দ নম্বর-৫দা লৈবা সন্তোশি মা গ্রুপকী ৱর্কসেদতা ঙরাং তেংবাং পীখ্রে।

ওইনাম প্রেমিলাগী মপুরোয়বা বসন্ত মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি। মহাক লায়েংনবা হোৎনবদা ইমুংগী লৈজরম্বা লৌ, য়ূম, ইঙ্খোল খূদিংমক য়োনখি। অদুম ওইনমক লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদবনি। হৌজিক্লা ক্লাস এলেভেন তম্লিবা মচানুপা অমা তুংদা করি থোক্লগবা খন্না অফং-অফংবা থবক শুদুনা হিংনবা লাম্হেংনরিবীনি।

মতেং ফংলবী ও প্রেমিলানা এন জয়কুমারনা মতেং পীরবা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা তৌরুবা থবক খূদিংমক্তা তাইবঙ মপুনা থৌজালবীবা ওইরসনু হায়খি।

এন জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থোংজাওরোক তুরেলদা নূঙ, লৈঙোই শুদুনা হিংলম্বা ইমুং কয়া লৈঙাক্কী অথিংবনা থবক লেপখ্রে। মরম অসিনা সোসাইটি শেমদুনা শেল থোক্লবা হোৎনরিবা, ওইনাম প্রেমিলাসু মেম্বর অমা ওইরিবা মেম্বর ৩০ লৈবা সন্তোশি মা গ্রুপকী ফিশাকোল অমত্তা সোসাইটিগী লৈরমদবা, মখোয়গী চাউখৎনবা ফিশাকোল অমদি লংশিং মহাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাংনবা হোৎনরগনি হায়খি।

### থাঙ-তাবু অনৌবা মায়ওল পীবিরম্বা ওজা নোদিয়াগী নীংশিং য়ূম্বী থম্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): মীয়ামগী অমদি তুংগী মীরোলগী খন্দুনা কংলাসা থাঙ-তা লুপ লিংখৎতুনা থাং-তাগী মহৈবু তাকপী তম্বিরম্বা সাইখোম নোদিয়ানা ওগষ্ট ২৬দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওজা অসিনা থাং-তাগী মহৈবু অনৌবা মায়োল অমদা অমুক হন্না পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বগীদমক্তসু ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না কিমাক্সগী এদভাইজর ইবোমচা ইরোমনা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কিমাক্সকী ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবা ওজা নোদিয়া মৈতৈ পোইরৈ লমদম খক্কী নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চৎতুনা থাঙ-তাগী মহৈবু তাকপী-তম্বিরম্বা ওজা অমনি। লাংলোন-লংদাইগী ওইবা তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তা মৈতৈ পোইরৈ লমদম অসিবু মতৌ করম্না কনগদগে হায়বা ৱাখল্লোলদা শিন্থা পাংবিরমখিবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা কংলাসা থাঙ-তা লুপ ৱাখা লৈমা চীঙগী প্রসিদেন্ট লাইফ্রাকপম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৫দা লৈখিদ্রবা ওজাগী লৈহুল তম্বা নুমীৎ অসিদা ওজাগী নীংশিং য়ূম্বী অমা হাংদোক্কদৌরি। নীংশিং য়ূম্বী অসিদা ওজানা তোয়না ‘থাঙনা ইমানি, তানা ইপানি’ হায়বিরম্বা ৱাহৈ হক্তুনা ইগনি। মরম অদুনা ওজাগী নীংশিং য়ূম্বী য়ুংবগী থৌরম অসিদা লমদম অসিদা লৈবা অমদি মপান্দা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি। পাউগী মীফম অদুদা কিমাক্সকী মরুওইবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

### ৬২ রকশুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ইন্দিয়ন ওইল ডেগী ৬২রকশুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু খোংমন মঙজিলদা লৈবা আর বি দি ইন্দেন সর্ভিসনা শীন্দুনা পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আর বি দি ইন্দেনগী প্রোপ্রাইটর গুরুময়ূম ব্রজমালানা লুচিংদুনা আর বি দিগী মেনেজর গুরুময়ূম রোবিন্দ্র শর্ম্মা অমদি অতৈ ষ্টাফ কয়ানা ভেল্যুয়িং দ ট্রু ওফ এ বিল্লিয়ন প্লগ ইন্দিয়ান হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখি।

মখা তানা ইষ্টর্ন আইদিএল গর্লস, মহারাজা বোদ্ধচন্দ্র কোলেজনচিংবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অমদি লন্বীদা চথোক-চৎশিন তৌবা মীওই কয়াদা চান-থক্লবা অমদি এন-১৯গী ফেশ মাস্ক, কূকিংগী এপ্রোননচিংবা কয়াসু খূদোল তমখি।

থৌরমদুদা গুরুময়ূম রোবিন্দ্রো শর্ম্মনা হায়, ইন্দিয়ন ওইল ডেগী নীংশিং থৌরম অসি অতৈ মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু মহাক্লা মপূং ওইবা দায়ত্ব লৌদুনা চম্না পাঙথোকপনি।

নীংশিং থৌরম অসিগী খুদোংচাবা লৌরদুনা রোবিন্দ্রোনা মখা তারদুনা, আর বি দিনা মতম শাংনা মীয়াম্বু সেবা তৌদুনা লাকপা অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু। হৌজিক কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মরক্তা আর বি দিগী ষ্টাফশিংনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা লাকপদা কনাগুম্বা কোভিদনা মরম ওইরগা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লক্লবা ইমুং কয়াদা মথৌ তাবা গ্যাস থিনবা চৎলি হায়খি।

কোভিদ পোজিটিভ ওইবা অমদি কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা য়াওরবদি গ্যাস লৌরমদবা য়াওরগসু পাউ পীবিদুনা কোভিদকী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লগা চেকশিন্না লৈবীয়ু। লোয়ননা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা য়াওবা অমদি কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীওইশিংবুসু গ্যাস শোয়দনা পীগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

### কে সী পি ১ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাওথ)গী মীৎয়েং মখাদা খুগা বট্টালিয়নগী অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসকা পূন্না খূৎশম্নরগা ঙরাং কে সী পি (এন)গী কাদর অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খা জিরি মনিং লৈকায়দগী ফারে হায়রি। কম্বাইন্দ ফোর্সনা ওপরেসন চথবদা ফারবা কে সী পি কাদর ৱাহং পাউহং তৌনবা নম্বোল পি এসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

/ দাইবেটিসকী হীদাক ফংবীগনি

দাইবেটিস ইরাই লায়না ফহনবা ঙম্বা (Indradhrum Herbal Products) অয়ুরভেদিককী অমত্তা ঙাইরবা হীদাক অসি শীজিন্নবনা Gujarat অমদি Maharastra দা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমখ্রবা হীদাক অসি মখাগী contact No. অসিদা পাউ ফাওনবীদুনা ফংবা ঙমগনি।

হীদাক ফংফম :

LUCKY SINGH
H/o. Ningthoujam Omeshowri
C/o. Ningthoujam Ibotombi Singh
Keishamthong Elangbam Leikai, Leirak Achouba Lairembi
Mamang Leirak,
Mobile No : 9004619348 / 7005768090
HL-P/9866/27/8-8/9 (alt)

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

No. 3/1/2018/IMC-2 Imphal, the 31st August, 2021

/ খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation গী মনুংদা Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী মখাদা Final Beneficiary List তা য়াওহৌদবা/চিখহৌবশিংনা Scheme অসিগী খুদোংচাবা লৌবিনিংবশিংনা নৌনা Application থারকপা য়াগনি। হায়রিবা Application Form অসি (1) **imc.mn.gov.in** (2) **muda.mn.gov.in** অসিদগী download তৌবিবা য়াগনি নৎত্রগনা PMAY-Cell, G.M. Hall দা ফংবীগনি। Scheme অসিগী খুদোংচাবা লৌবিনিংবশিংনা লাক্লিবা September Date 10/09/2021 ফাওবগী মনুংদা PMAY-Cell G.M. Hall দা য়ৌহনবীরক্কদবনি।

**Form** পীশিনবগী মতমদা শোয়দনা য়াওরক্কদবা **documents** শিং :

1) Applicant গী Aadhaar Photo Copy
2) Family Member শিংগী Latest Aadhaar
3) Applicant গী Bank Pass Book Photo Copy
4) Jamabandi/Patta Photo Copy (Applicant গী মিংদা লৈবা ওইগদবনি)
5) Valid Phone Number
6) Income Certificate (Self Certified)

**N.B. Form** পীশিনবা মতমদা **Applicant** মশা য়াওরক্কদবনি।

খঙহঞ্জরিবা,
**(K. Chandrakumar Singh)**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7122/1,2